ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯱꯶, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, নবেম্বর ১৬, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৩৩শুবা মশীং

# সী বি আই মনুংগী ৱাথোক

## *মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্নবা মরম ওইরকপা য়াই*

**লৈবাক** অসিগী মাঙজিল থাবা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অমা ওইরিবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা এজেন্সী অসিমক্কী এন্টি-করপসন ব্রাঞ্চ (এ সী বি) দিভিজনদা থবক তৌবা দেপ্যুটি লিগেল এদভাইজর বূক তৌখি। এ সী বিগী য়ুনিট হেদ নৎত্রগা হেদ ওফ ব্রাঞ্চকী খুৎয়েক শারগা এসেসমেন্ট রিপোর্ট পীদুনা প্রমোসন কাখি হায়বগী মরালদা সী বি আই এন্টি-করপসন য়ুনিট-৬ তা থবক তৌবা দেপ্যুটি লিগেল এদভাইজর বিনা রাইজাদা বূক তৌখিবনি। রাইজাদানা সী বি আইগী পাটনা জোনদা থবক তৌরিঙৈদা এ সী বিগী হেদ ওফ ব্রাঞ্চ ওইনা লৈখিবা দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ভি কে সিংহগী খুৎয়েক শারগা এসেসমেন্ট রিপোর্ট পীখৎলকখিবনি হায়না মরাল শিরি। ওক্টোবর ২৭ তা এন্টি করপসন য়ুনিট-৫ (ভোপাল) গী দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমগী মতুংইন্না সী বি আইগী থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। হিরম অসিগী মতাংদা ইনক্কারি চথবদা খঙলকপা ৱাফমদি কুমজা ২০১৪ গী মে ৫ দা রাইজাদানা পাটনাদা লৈবা সী বি আইগী এন্টি করপসন ব্রাঞ্চতা সিনিয়র পব্লিক প্রোসিক্যুটর ওইনা থবক চঙলকখিবনি। কুমজা ২০১৭ কী জন্যুৱারি ৫ দা প্রমোসন কারগা ন্যু দিল্লিদা লৈবা এন্টি-করপসন য়ুনিট-ফোরদা ট্রান্সফর তৌরকখিবনি। সী বি আই হেদক্কার্টরসতা মহাক্না পীশিনখিবা কুমজা ২০১৪, কুমজা ২০১৫ অমসুং ২০১৬ কী ওথোরাইজ প্রোগ্রাম এনালাইসিস রিপোর্ট অমসুং এসেসমেন্ট রিপোর্টতা দি আই জিগী অশাবা খুৎয়েক শীজিন্নরকখি হায়বা খঙনরকখিবনি। মমাঙ থাদসু লৈবাক অসিগী মাঙজিল থাবা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অমা ওইরিবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না এজেন্সী অসিমক্কী স্পেসল দিরেক্টর রাকেস অস্থনাবু শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক অমগা মরী লৈননা বুক তৌবা লৈখ্রে।

কুমজা ১৯৮৪ বেটচকী আই পি এস ওফিসর অস্থনানা লুপা ক্রোর ২ অরানবা মওংদা লৌখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা শেঞ্জা-থুমজাগী কেস কয়াদা চেন্নরম্বা থেংনৈ হায়না মরাল শিরি। সী বি আইনা হিরম অসিগী মতাংদা ওফিসল ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদবা তারবসু তোঙান তোঙানবা ছোর্সনা সী বি আইগী অনীশুবা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা ওফিসর বুক তৌরে হায়বা ৱাফম অসি অচুম্বনি হায়না ফোঙদোরকখি। মনোজকুমার কৌবা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈননা ফারবা মীওই অমনা রাকেস অস্থনাদা লুপা ক্রোর ২ পীখি হায়না মাজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা ষ্টেটমেন্ট পীখ্রবা মতুংদা সী বি আইগী অনীশুবা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা ওফিসর অদু বুক তৌখিবনি। মমাঙদা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি) গী লুচিংবা লালু প্রসাদ যাদবকী ইমুং চেন্নবা শেঞ্জা-থুমজাগী কেস অমা থিগৎপদা সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্মানা খুৎ থিংজিল্লক্লে হায়না অস্থনানা ৱাকৎপা লৈখ্রবনি। সী বি আইনদি অস্থনাগী ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না প্রেসতা ৱারোল অমা থোকখিবগা লোয়ননা অস্থনাবু অতৈ অতোপ্পা শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক কয়াদা চেন্নৈ হায়না মরাল শিখিবনি। লুপা ক্রোর ৫২০০ লোন লৌখ্রগা মপান লৈবাক্তা চেন্দুনা লৈখ্রবা সন্দেসরা মচিন-মনাওগী কেসতা অস্থনা চেন্নৈ হায়না মরাল শিরকপসু লৈখ্রে। নাকল অমরোমদা, সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন (সী ভি সী) না সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক কুমার বর্মাগী মথক্তা থিগৎখিবগী প্রিলিমিনরি রিপোর্ট সুপ্রীম কোর্টতা পীশিনখ্রে। ওক্টোবর ২৬ তা সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না অলোক কুমার বর্মাগী মথক্তা থিগৎলগা সী ভি সীনা এপেক্স কোর্টতা রিপোর্ট পীশিনখিবনি। শেঞ্জা-থুমজা অমসুং অরানবা থৌওংশিং থিগৎকদবা সী বি আইগী মকোক থোংবা ওফিসলশিং শেঞ্জা-থুমজাদা চেন্নৈ হায়বা ৱাফম মপান থোরকপগা লোয়ননা এজেন্সী মনুংদা মীচঙ খায়দোক্লরগা নাকপাক তানবগী ফীভম অমা লাক্লিবসি লাইবক থীবনি। সুপ্রীম কোর্টনা ৱাথোক অসিগী অচুম্বা ৱায়েল অমা শোয়দনা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুম ওইনমক সী বি আই অমদি অতৈ ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিংদা কদায় ফাওবা পুকচেল শেংনা মথৌ পাঙথোকপগে হায়বগী মতাংদা মতম চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী ৱাখলদা চিংনবা পোকহল্লকপা য়াই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৪

১। মণিপুরনা নীংতম্লিঙৈদা ঙসি গভর্ণরনা লৈরিবা মফমসি বৃটিশ রেসিদেন্সি ওইরম্মী। মফম অসিদা মতমদুগী পোলিটিকেল এজেন্ট অনীগী মং লৈরি।
(ক) ১৮৭৬তা শিখিবা এজেন্ট অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) মহাক্কী হেক মথংদা লাক্লম্বা মৈতৈ ময়েক য়োকখৎলম্বা এজেন্ট অদুগী মমিংনা করি কৌই।

২। "নঙসু ইনাই, নপাসু ইপাগী মনাই।" ৱাহৈশিংসি ডা. কমলগী দ্রামা অমদগী লৌথোকপনি। কনাননো হায়রিবসি?

৩। "মণিপুরী ছন্দগী তোপতোপ্পা মশক অমা লৈজৈ।" পরেং অসিনা 'মণিপুরী কবিতাগী ছন্দ' কৌবা লাইরিক অদুগী ৱাহৈদোক্লি। অইবদু কনানো?

৪। "য়েংঙু, ঐখোয় চৎখিদৌরে মতাগুম হৈনম-লৈনম মালংবনা হুম্লক্লি।" পরেং অসিনা হিজম শান্তিবালানা ইবা দ্রামা অমদগী লৌথোকপনি। দ্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "অতুলনা মখূৎ তপ্না তপ্না থাদোক্লগা হায়রকই, য়ূমদা চৎলসি, মখোয় পূন্নমক চৎনখ্রে।" পরেং অসিনা শরৎচন্দ্রগী রঘুমনি শর্ম্মানা হন্দোকপা উপন্যাস অমগী অরোইবা পরেংনি। উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল
hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি।
পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৩গী পাউখুম ৫ চুন্না থাবীরকখিবশিংদি**

| | |
|---|---|
| ১) সনসম লক্সমি, হিয়াংথাং ময়ায় লৈকায় | (৫) |
| ২) প্রেমকুমার থোকচোম, খাঙবোক খুনৌ লৈকায় পার্ট থ্রি | (৫) |
| ***৩) হৈস্নাম রুপো, ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাঙ্খৈ লৈকায়*** | ***(৫)*** |
| ৪) লৈশাংথেম প্রিয়া, লৈশাংথেম খোংমনুং | (৫) |
| ৫) থোকচোম প্রিয়া, খাঙবোক খুনৌ লৈকায় পার্ট থ্রি | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৮৩গী ৱিন্নর**

***হৈস্নাম রুপো, ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাঙ্খৈ লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)***

লিটরেরি ক্যুইজ ৮৩গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম নবেম্বর ১৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৩গী পাউখুম

১। কুমজা ১৮৯১গী মমাঙ, বৃটিশনা মণিপুর লৌশিন্দ্রিঙৈদা লমদমসিদা চৎনরম্বা শেল অসি শেল মখায় হায়বসিনি। শেল মখায় অনীনা শেল অমা শাই।
(ক) শেল মখায় কয়ানা শেল চাম্মা শাবগে? **:- ৮**
(খ) শেল মখায় কয়ানা শেল লীশিং অমা শাবগে? **:- ৮০**

২। লান মমাঙগী কবি অনীনা 'লৈপাকলৈ' শৈরেং অমমম ইরম্মী। লৈ অসিবু 'চিন্নাইদবী মরুপ' হায়রম্বদু করম্বা কবিনো? **: কবি চাউবা**

৩। "ঐগী মিং সোরোজিনি কৌবনি। অদুবু শাংমল্লি হায়দুনা মাদি সোরো সোরোদমক মকৌই।" পরেং অনীসি 'থম্মোই নিঙাই' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো? **:- শ্রীবীরেন**

৪। "ঐগী অয়াকপা অহৌবা খোল্লাউদা/কিন্থখিগনি নিংখায়খিগনি।" পরেং অনীসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু। **:- নোংথাংলৈম**

৫। "চীংমুক লেমহন্নিংই/চীংজুম্মুক শেংহন্নিংঙি নুংশিবী।" ঈশৈ পরেং অনীসিনা শামুরাইলাৎপম নব শর্ম্মনা শকখিবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। শৈরেংবদু কনানো হায়য়ু।
**:- নোংমাইথেম কিরনকুমার**

# রেদিওগী ঈশৈগী থৌরমদা গভর্ণমেন্টনা য়েংবা য়াবা মীৎয়েং অমা

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

**অপূনবগী** শক্তম শাগৎপা, চীংমী-তম্মী অমত্তনি হায়বগী নুংশি লিপূন শেমগৎপা অমদি লৈশক লৈচু মান্নদবা লৈ ময়াম অমনা ফজরবা লৈকোল ওইহল্লি হায়বসিসু রেদিওনা হায়বদি ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনসু লাইট ম্যুজিক কন্সর্ট হায়বা অচৌবা থৌরম পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা তাহনখ্রে অমদি উহনখ্রে। অসিগুম্বা থৌরম কয়া রেদিওনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি, মীয়ামদা তাহল্লি। শম্না মখোয়দা পূক্লিং লৌশিং ওইবা থৌরম কয়া শন্দোক্তুনা মীয়ামদা তাহনবগী মথক্তা ফুরুপ মশেল নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নবা ঙম্নবা চাউরবা ঈথিল পীবা কান্নরবা থৌরম কয়া লিশাং-শিৎনা শন্দোক্তুনা লাক্লি। অমরোমদা হায়বা য়াই লিপূন খোঙচৎ অমনি হায়না। শম্না মণিপুর কায়দনবগী থবক্তি রেদিওনসু তৌদুনা লাক্লি, তৌরি, তৌখিনি হায়বসিনি। মীয়াম্নদি থাজরমগদ্রা রেদিওনবু অসিগুম্বা থবক তৌই হায়বসিবু? রেদিও মুন্না তারবদি লায়না খঙবা ঙমগনি। তশেংনা হায়রবদি ফুরুপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা থবক পায়খৎপা হায়বসি লন্নাইগী লূপশিং, সোসিএল ৱার্কর, পোলিটিকেল পার্টিশিংখক্তনা তৌবা নত্তে। অমরোমদা অমুকসু মসিনি হায়বা অকক্লবা থবক অমা তোঙান্না লৈবসু নত্তে ফুরুপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈনবা হোৎনবদা। তশেংনমক্কীদি ফুরুপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবগীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা থবক কয়া তৌবা মথৌ তারি। মদুগী শরুক অমনি রেদিওনা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ কয়াগী শৈশকপা/শৈশকপীশিংগী ওইবা লাইট ম্যুজিক কন্সর্ট অমা পাঙথোকখিবসি। কান্নরবা থৌরম অদু মণিপুরগী লৈমায়দা ওল ইন্দিয়া রেদিওনা শাফোঙলকপা চহী ৫৫শুবগী পাঙথোক্লকপা থৌরমশিংগী মনুংদা অমনি। নীংশিংবা য়াবদি ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফাল অসি কুমজা ১৯৬৩গী ওগষ্ট ১৫দা মণিপুরগী ওইনা মপূং ফাবা রেদিও ষ্টেসন অমা ওইনা হাংদোকখি।

ঈশৈদা শক-চু, লোল, লাইনীংগী খেন্নবা করিবু লৈবগে? লৈবাক অমগী ঙমখৈ লৈবগুম্না ঈশৈগী ঙমখৈ লৈতে। ইহাং-হাংবা অতিয়াগুম্বনি, মদুদা মনীং তম্না কোয়পাই পাইদুনা মফম শিনবা থুংনা য়ৌবা ঙম্বা পোম্বী চেক্লাগুম্বনি। ইশাগী লোল নত্তবা ঐখোয়না খঙবা ঙমদবা অতোপ্পা লোলদা শকপা ঈশৈ ফাওবা পাম্না তানরি। মরোল খঙদ্রবসু নুংঙাইনা তারিবা ঈশৈ অদুগা মরী লৈনরিবা ফুরুপ অদুগসু ঈশৈ তারিবা মীওই অদুগা নকশিন্নহল্লি। ঈশৈ ময়েক্তুগী ৱাহন্থোক খঙদ্রবসু নাকোংদা চঙখি অদুগা য়ৌখি থম্মোয়, মোমোন মীনোক চিনবান্দা। অদুগসু অমুক খৌনাউদগী থোক্লকখি মরোল চুমদ্রবা ঈশৈ ময়েক অমদি সুর, শৈহেক-শৈদা শোয়রবসু। ফজখ্রেদা, মসিগী ঈশৈসে। ফজনা পাল্লিহে মসিগী সুরসি। কাউগে ঙমদে মরোল খঙদ্রবসু। ঈশৈনা নকশিন্নবা মচাক অমা ওইরি শক-চু, লোল মান্নদ্রবসু। ওল ইন্দিয়া রেদিওনা পাঙথোকখিবা লাইট ম্যুজিক কন্সর্ট অদুদা শকখিবা ঈশৈশিং অদু মান্নদবা ফুরুপকী মান্নদবা লোলদা শকখিবা ঈশৈ ঙাক্তনি। মদু অতৈদা নত্তে ফম্পাক অমগী মথক্তনি মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী পাক চাউরবা হোল অদুদনি। লোল, চাকচা-য়ুথক মান্নদ্রবসু ঈশৈগী ফম্পাক অদুদি অমত্তনি। মান্নদবা লোল, ফুরুপ কয়াগী ফম্পাক ওইখি য়াম্না নুংশি চান্ননা। ঙাইহাক্তংদা ওইরবসু অপূনবা মণিপুর অমা ওইনা উবা ফংখি। খেন্নবা ৱাখল, খেন্নবা মঙলান, খেন্নবা ফিরেপ কয়া লৈজরবসু রেদিওনা শিনবা ঈশৈগী নুমিৎ অদুদদি অপূনবা লৈশক কয়ানা পূন্না শাৎপা মণিপুর অমা ওইখি। অমত্তা ওইবা অপূনবগী লেপফম ফম্পাকথক্তুদা হৌনা শকখি মালেমগী মীয়াম তারসনু মতাগুম মার, তাঞ্জুল, মাও, কবুই, পাইতে অমদি থাদৌ ফুরুপকী শৈশকপা/শৌকপীশিংনা শকখি হৌনা মোমোন মীনোক তল্লদুনা। মার, মাও অমদি কবুই ফুরুপকী শৈশকপা/শৈশকপীশিং অদুগী শৈশক শৈদা অদু থাগৎনীংঙাই ওই। মখোয়গী মরক্তসু মাও ফুরুপকী শৈশকপী এ অদানিগী পার্ফোমেন্স হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎনীংঙাই ওই। মহাক্কী ঈশৈ, শৈশক অদুনা মীৎকুপ খরদি নুংঙাইবগী ঈপাক অমদা তাউদুনা চৎলুই। মহাক্কী খোঞ্জেল অসুক্কী মতিক ৱাংনা চিংদুনা শকপা ঙম্মী। শম্না য়াম্না তোপ-তোপ্পা মহাউ অমনি হায়নীংই। মার ফুরুপকী শৈশক অদু য়াম্না ঈংনা, খোয়থুম্ননা শকই। কবুইগী শৈশকপা অতিংমৈ গাংমৈগী শৈশক অদু মীতৈশিংনা শক্লিবা হিন্দুষ্টানি ম্যুজিক্তা শক্লিবা মতম ঈশৈগী শৈশক্কা য়াম্না নকশিন্ননা চৎলি। চুম্বা তাই কবুই ফুরুপ মীতৈশিংগা য়াম্না নক্লবা ফুরুপ অমনি হায়বদু। কবুই লোল খঙদ্রবসু মহাক্না শক্লিবা ঈশৈ ময়েক অদুগা চানবা এক্টিং তৌদুনা শক্লিবদু থাগৎনীংঙাইনি। চীংমী ফুরুপশিংনা শকখিবা ঈশৈশিং অদু মীতৈশিংনা ৱাহন্থোক করিনো হায়বা খঙবা ঙমদনা লৈরম্বদু ঈশৈ শকপা হৌদ্রিঙৈদা মীতৈলোলদা হন্দোক্তুনা পরেং অমা/অনীদং হায়রকপদুদা ফজবা ময়েক নিংথিনা য়াওরম্মী।

ঈশৈনসু ইমোস্নেল ইন্টিগ্রেসন হায়বদি অপূনবগী নুংশি মরী চেৎশিনহনবা য়াই হায়বসি চুম্লবা ৱাফম অমনি। ওল ইন্দিয়া রেদিওনা পাঙথোকখিবা ঈশৈগী থৌরম অদুনসু মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা অচৌবা মতেং শোয়দনা ওইগনি। রেদিওনা লাইফ ওইনা থাদুনা মীয়ামদা তাহল্লি। ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়া হাউসশিংনসু লাইফ টেলিকাষ্ট তৌদুনা য়ামখ্রবা মণিপুরগী মীয়ামদা য়েংহল্লি। মদুনা উহল্লি/তাহল্লি তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী শৈশকপা/শৌকপীশিংগী মরক থৎন-থৎনা মান্নদবা লোলগী ঈশৈশিং শকহল্লি। মসিনা ফুরুপ পূন্নমক্লা ফুরুপ লোয়নমক্কী ঈশৈ তানীংবা পোকহল্লি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি মীতৈলোলগী ঈশৈ শক্লবা মতুংদা চীংমীগী ঈশৈ অমুক শক্লকপা মতমদুদা মতম ঈশৈগী খোংবা-থিনবা তৌরিবা ওকেষ্ট্রাশিং অদুনা ষ্টেজদুদা তুমিন্না ফমদুনা চীংমীশিংগী শৈহেক-শৈদাশিং অদু পূক্লিং চঙনা তাদুনা য়েংদুনা লৈবা অদুনি। মদু কান্নবা অমনি হায়না লৌবা য়াই অমদি তাঞ্জা অদু তোয়না থোকপসু নত্তে করিনা হায়ববু চীংমী-তম্মী অনীসি পিকখ্রবা হৈবোং অমগী মনুংদা লৈমিন্নরবসু য়াম্না থাপ্লবগুম লৈরি। লোল অমগী ঈশৈনা অতোপ্পা লোলগী ঈশৈ অমদগী লৌদবা করিবু, কনাবু লৈবগে? অমনা অমদগী খরা-খরা লৌনবা/ৱাইনবা/পুনবা ঙাক্তনি। তমশিনবদা/খঙজিনহৌবদা করিবু মাঙজবা লৈবগে? শম্না ঈশৈদি লোল, কাঙলূপ, কুচু খেন্নবা লৈতে লোয়না তিন্নবা, পূনশিনবা য়ানৈ। চীংমীশিংগী শৈশক, ময়েকশিং অসিদগী মীতৈলোলগী মতম ঈশৈদা পানশিনবা য়াবা কয়া য়াওব্রা হায়বদু পূক্লিংদা ফাওরক্তবা নত্তে। অদুগা চীংমীনসু মতম ঈশৈদগী লৌশিনবা য়াবা করি লৈবগে হায়বদুসু ফাওরক্তবা নত্তে।

মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপশিং নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা য়ানবা থৌরাং/থৌশিল কয়া মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা অদুগী শরুক অমা ওইনা রেদিওগী অসিগুম্বা ঈশৈগী থৌরম লৌখৎপা য়াব্রা? হৌদোক্লিবা ৱাফম অসি লম্ অসিদা হৈ-শিংলবা এক্সপার্টকী ওইবা ৱাফম অমদি নত্তে। মপূং ওইবা থৌরাং অমগী অহানবা লংলা অমখক চিংথোক্লকপখক্তনি। মখা তাবা চৎনবা য়াবা চুনবা থবক্তি লম অসিদা য়াম্না হৈ-শিংলবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী অখণ্ড অহৈশিং অমদি খঙ হৈরবা ঈশৈগী মীওইশিংনা কূপ্না খন্নদুনা লেপমিন্নবা চুম্লিবনি। মীতৈলোলগী ঈশৈশিং মাও, তাঞ্জুল, কবুই, মার, পাইতে অমদি অতৈ লোল কয়াদা হন্দোক্লগা চীংমী শৈশকপা/শৌকপীশিংনা শকহনবা য়াই। মদু তৌরুবদা ফুরুপ্তুগী নাৎ, লাইনীং মাঙগদবা করিসু লৈতে। অসুম্না চীংমী ফুরুপশিংগী মমিং লৈবা ঈশৈশিং মীতৈলোলদা হন্দোক্তুনা ঈশৈশিং অদুগী শৈহেক-শৈদা কায়দনা শকপা য়াই। ঈশৈগী থৌরম অদু মরুওইনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মথং মনাউ নাইনা চৎতুনা পাঙথোকপনা হেন্না কান্নগনি। মসিগী মরমদি চীংগী লমশিংদা চীংমীগা-তম্মীগা নকশিন্নবগী অচেৎপা মরী লৈনবগী চাং অসি য়াম্না নেল্লি। থৌরম অসিগী কান্নবসি চীংমী-তম্মীগী ঈশৈ ময়েক ইরিবশিংগী মরক্তা লৈবা খেন্নবশিং অমদি অমনা-অমদগী লৌশিনবদা কান্নগদবা মচাকশিং লৌশিনবা ঙমগনি। অমরোমদসু শৈশকপা/শৈশকপীশিংগী মরক্তসু শৈহেক-শৈদা, খোল্লে-খোন্দা কয়াদা অমনা অমদা কান্নবা পীবা ঙমগনি। ঈশৈ তাবা মীচম মীয়ামদা পীগদবা পাউজেল অমদি পূন্না ঈশৈগী থৌরম চীংগী লমদা পাঙথোকপা মতমদা ফাওরক্কদবা নকশিন্নবগী ৱাখল-ইহুল অমা শোয়দনা ফাওরক্কনি। মরুওইবা পান্দম হায়বা তারবদি পূন্না থবক তৌমিন্নবা অদুনি। ঈশৈগী মচাক কয়া, ময়েক্কী মচাক কয়া অমনা অমদগী লৌনরকপদগী চংমী শৈশকপশিং/শৈশকপীশিং মীতৈলোলগী ফিল্মদা ঈশৈ শকপগী থাক অদু শোয়দনা য়ৌরক্কনি। অমরোমদা চীংমীগী ফিল্ম পুথোকপগী মশীং হেনগৎলকপসু য়ারিবনি। মতম ঈশৈগী শৈশকপা/শৌকপীশিংনসু চীংমীগী ফিল্ম ঈশৈ অমদি মতম ঈশৈ শোয়দনসু শক্লক্কনি।

ঈশৈগী ইন্দষ্ট্রি অমদি ফিল্মগী ইন্দষ্ট্রি চাওখৎপা হায়বসি গভর্ণমেন্টনা অসিগুম্বা থৌরাং/থৌশিল কয়া পায়খৎলবতদা ওইথোক্কনি। মীয়াম্নসু মতেং পাংবা তাই। গভর্ণমেন্ট মথন্তদা ইন্থোকপসু চুম্বা নত্তে। গভর্ণমেন্টকী করম্বা দিপার্টমেন্টনা থবক পায়খৎকদগে হায়বদুদি মীয়াম্না লেপ্পুবা য়াবা থবক নত্তে। স্কুল অমদি কোলেজগী থাক্তসু য়ুথ কেম্পকী মওংদা ঈশৈগী থৌরম চীংগী লমদা হোং-হোংদুনা য়াল্লবদা নুমিৎ নীনিগী/হুমনিগী থৌরম পাঙথোক্লবদি গ্রাস রুটতগী চীংমী-তম্মী নকশিন্ননা অমদি নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবগী অচৌবা মচাক অমা শোয়দনা ওইবা ঙমগনি খল্লি। নুংশি চান্নবা পুরক্লবা অতৈ থবক/থৌরম কয়াসু পায়খৎপা য়াই। রেদিওগী ঈশৈগী থৌরমসি গভর্ণমেন্টকী মতেং পাংবনি।|◂◂

# নুপীশিংনা মশা নোয়খত্তনবা হোৎনবা চুমগনি

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

**হৌজিক্কী** মতমদা মণিপুরগী নুপীশিংনা মরুওইনা য়ূম পাল্লবী মৌনহাশিংনা দেলিভরিগী মতুংদা হেক-হেক অতেনবা মতমগী মনুংদা মশা কা হেন্না নোয়খৎ-চাউখৎপগী থৌদৌশিং উনরিবসি কন্ত্রোল তৌনবা লম্বী থিহৌবা চুমগনি। হীরমসিগীদমক মরী লৈনবশিংনা খোঙথাং খরা লৌখৎহৌবা তঙাইফদে। নুপী ওইরো, নুপা ওইরো হৌজিক্কী মতমদা মরম চাদনা হকচাং নোয়খৎ-চাউখৎলকপগী থৌদৌশিংনা কনামতদা অফবা খক ওইরকহন্দে। ৱাফমসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু, মণিপুরগী য়ূম পাল্লবী নুপী মৌশিংদদি থৌদৌসি য়াম্না তোয়না থোক্লরি। অতেনবা মতমগী মনুংদা হকচাং কা হেন্না নোয়খৎ-চাউখৎলকপগী থৌদৌসি নোর্মেল ওইবা পুন্সি খোঙচৎকী মওং-মতৌদি নতে। অদুবু থৌদৌসি চৎনবী নৎত্রগা হৌনবী অমগুম্না মণিপুরদা অদুমক থোক্লক্লি। হীরমসিদা মরী লৈনবা কাঙবুশিংনা থিজিন-হুমজিনবীদুনা কন্ত্রোল তৌনবা লম্বী অমা পুথোকপীবা য়াম্না মথৌ তাই। অসুম তৌরবদি, মণিপুরগী য়ূম পাল্লবী মৌনহাশিংনা দেলিভরিগী মতুংদা কা হেন্না হকচাং নোয়খৎ-চাউখৎলিবসি খরদংদা ওইরবসু কন্ত্রোল তৌবা ঙম্নরগনি খল্লি। হোৎপু হোৎনরবদি পান্থে অমদি শোয়দনা ফংফম থোকই। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, মহৌশাগী চাংদগী কা হেন্না য়াঙনা হকচাং নোয়খৎ-চাউখৎলকপগী থৌদৌসি অফবা খক নত্তে। চাংচত্তা মণিপুরগী য়ূম পাল্লবী মৌনহাশিংনা অতোপ্পা কাঙলূপশিংগী মৌনহাশিংদগী চাং য়াম্না হেন্না থুনা য়াঙনা নোয়খৎ-চাউখৎকনবগী থৌদৌশিং উবা ফংলি। হীরমসিগী মতাংদা মণিপুরগী ডোক্তরশিং অমদি মেদিকেল প্রেক্টিস্নরশিংনসু য়াম্না কূপ্না থিগৎপীবা মথৌ তাই। থৌদৌসি থায়নগী মতম হায়বা তারে মমাঙঙৈগী মীরোলশিংদদি অসুম্না মণিপুরগী মৌনহাশিংদা তোয়না মশা নোয়খৎ-চাউখৎকনবগী থৌদৌশিংসি থোক্লরমদবা মাল্লি। ৱাফমসি মমাঙঙৈ অমদি হৌজিক্কী মতমগী মণিপুরগী মৌনহাশিংগী পুন্সি মহিংশিংদা অমদি পুন্সি মরেলশিংদা খেন্নবা কয়ামরুমশিং লৈরকপনা ওইরকহনবসু ওইরম্বা য়াই। অদুম ওইনমক, হায়নীংলিবশিংগী মনুংদা মেদিকেল সাইন্সনা চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না মেদিকেল সাইন্সকী ওইবা থৌদৌশিং খরদসু মথক্তা পঞ্জখ্রিবা হৌজিক্কালগী মৌনহাশিংসিনা মশা নোয়খৎ-চাউখৎলকপগী থৌদৌশিংসিগা মরী লৈনরম্বা য়াবা মরমশিং খরা য়াওব্রা হায়বা ৱাফমসিনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ৱাফমসিগা মরী লৈননা হংনীংবা ৱাফম খরা পোক্লক্লিবসি তশেংনা হায়রবদা হৌজিক্কী মতমসিদা মণিপুরদা নুপীশিংগী দেলিভরিগা মরী লৈননা দেলিভরিগী মমাঙ অমসুং মতুংদা চথরিবা মেদিকেল ত্রিটমেন্টশিং নৎত্রগা মেদিকেল গাইদ-লাইনশিংদা মণিপুরগী য়ূম পাল্লবী নুপীশিংসিনা কা হেন্না য়াঙনা মশা নোয়খৎ-চাউখৎলক্লিবসিগী চানবা মরমশিং নৎত্রগা মরী লৈনবা অতৈ হীরমশিং য়াও-লাকপরা হায়বা ৱাফমসিনি। ৱাফমসি তশেংনমক খঙলগা হায়বা ৱাফম অমদি নত্তে। অদুবু, হৌজিক্কালগী মীরোনবী নুপীশিংনা মীরোল্লিঙৈ মতম মনুংদা অমসুং দেলিভরিগী মতুংদা চারিবা এলোপেথিক্কী হীদাক-লাংথকশিং অমদি ভিটামিন মখলশিংসি মমাঙঙৈগী মতমগী নুপীশিংদদি অসুম্না খক শীজিন্নখিবগী ৱারী তাদে। অমরোমদা, কনাগুম্বী নুপী মৌনহাশিং খরনা মখোয়না মশা নোয়খৎ-চাউখৎখ্রিবসি মখোয়না মীরোল্লিঙৈ মতমদা অমদি দেলিভরিগী মতুংদা চাখিবা ভিটামিন মখল কয়ামুক্তুগী মহয়ননি অমসুং ভিটামিন ময়ামদুনা মখোয়বু নমদুনা নোয়খৎহল্লিবনি হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং য়াম্না তোয়না ইচম-চম্না ফোঙদোক্লবা থেংনৈ। ৱাফমসিমক চুম্লবনি হায়বমক নৎত্রগসু মখোয়না ফোঙদোক্লিবা ৱাহৈশিংদু মতাংদি য়াম্না চানবা ৱাহৈশিং ঙাক্তা ওই। অমবু ওইরবসু, মণিপুরগী নুপী মৌনহাশিংনা দেলিভরিগী মমাঙ অমসুং মতুংদা শীজিন্নখিবা মেদিসিন অমদি ভিটামিনশিং অদুগা মখোয়না দেলিভরি তৌখ্রবগী মতুংদা নোয়খৎ-চাউখৎলক্লিবগী থৌদৌশিংসিগা মরী লৈনব্রা নৎত্রগা লৈনদব্রা হায়বদু তোঙানবা ৱাফমনি। মথক্তা পনখ্রিবা ৱাফম খরসি ঙসিগী ইরমদমসিগী ডোক্তরশিং অমদি মেদিকেল প্রেক্টিস্নরশিংনা চুম্ব্রা হায়বদু অমুক্তং য়াম্না কূপ্না য়েংশিলহন্নীংই অমসুং কনফর্ম তৌহন্নীংই। মণিপুরগী মৌ ওইরবী নুপীশিংগী মশাদা থাখিবা ভিটামিন মখলশিংদুগী সাইদ ইফেক্টশিংনা মখোয়না নোয়খৎলকপনিমক হায়দ্রবসু থৌদৌসিনা তুংদা হকচাং নোয়খৎ-চাউখৎহল্লকপদা মতেং পাংব্রা নৎত্রগা পাংদব্রা হায়বা ৱাফমসিসু অচুম্বমক্কী ওইনা খঙদোক্লুবা হোৎনবীবা চুমগনি। অমরোমদা, মণিপুরগী নুপী মৌনহাশিংগী ওইবা পুন্সি মহিংশিংদসু মখোয়না মশা নোয়খৎলকপগী চানবা মরমশিং খরসু লৈরম্ফম থোক্তবদি ওইরম্লোই। অদুম ওইনমক, মণিপুরগী নুপী পূন্নমকসি অমত্তা ওইনা পুন্সি মহিংশিং অমসুং পুন্সি মরেলশিং অমগা-অমগা লোয়না চপ মান্নবমক্তি নত্তে। পূন্নমকসিগী ৱাংমদা মণিপুরগী নুপীশিংগী করম্বা মীগা মীমান্নদবা থৌদৌশিং লৈরম্বনা তশেংনা হৌজিক্কালগী মণিপুরগী নুপী মৌনহাশিংসিনা চহী মতাংগা চানদনা মশা-মউ চাউখৎপা অমদি নোয়খৎপগী থৌদৌশিংসি তোয়না থোক্লরিবনো হায়বসি হংনীংঙাই ওইবা ৱাহং অমনি।

মীওইবগী হকচাংনা নোয়খৎলবদি হকচাংগী অরুম্বসু শোয়দনমক্কী হেঙ্গৎলকই। হকচাংগী অরুম্বনবু হেঙ্গৎলক্লবদি মীওইবগী হকচাংদা মখল-মখলগী লায়নাশিং চেল্লক্লবগী অচৌবা মরমশিংসু ওইরকই। ৱাফমসি মণিপুরগী ডোক্তরশিং পূন্নমক্লসু ঙাইহাক লৈতনা পাউতাক ওইনা পীনরিবা ৱাফমনি। ফীভমশিংসি লৈবনা মণিপুরগী য়ূম পানবা কুইদ্রিবী মৌনহা মচাশিংনা য়ারিবমখৈ ইখঙ-খঙহৌদনা মশা-মউ চাউখৎলক্তনবা অমদি হকচাংগী অরুম্বা হেঙ্গৎলক্তনবা মাঙজৌননা হোৎনহৌবা অমসুং তানহৌবগী মথৌশিং অসুক্কী মতিক তারি। অদুবু লুরিবা ৱাফম অমদি, থৌদৌশিংসিগীদমক মাঙজৌননা লৌখৎহৌবা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং অমত্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কমন ওইনা মীয়াম্না খঙনবা লৈত্রিবসিনি। হকচাংশিং চাউখৎখ্রবা অমসুং নোয়খৎখ্রবগী মতুংদদি মরী লৈনবা মেদিকেলগী কাঙবুশিংগা ফনা য়াম্না কন্না তানদুনসু নোয়খৎ-চাউখৎলিবদু হন্থহল্লক্লবা হোৎনবদা শোয়দনমক্কী অৱাবগী মশকশিং ওই। অয়াম্বনা মায়সু খক পাক্কন্দে। মতমসিদদি মেদিকেল প্রেক্টিস্নরশিংনা য়ারিবমখৈ হকচাং শাজেলশিং খরা চাং নাইনা তৌনবা খঙহল্লকপা নত্তনা অতৈ থোয়দোকপা ত্রিটমেন্টশিং থোয়না তৌনীংঙাই লৈতবগুম তৌই। মখোয়না খোঙনা চাং নাইনা চৎনবা অমদি পান্থে অমা নৎত্রগা অমনা হকচাংগী অরুম্বা হন্থহল্লক্লবা নৎত্রগা হেঙ্গৎহল্লক্তনবা অসিনচিংবা পাউতাকশিং কয়ামরুম পীরকই। ফীভমশিংসিদা মশা নোয়খৎ-চাউখৎলক্লবী মণিপুরগী মৌনহাশিংনা মরন্নাই ওইনা মশাগী ফীভমশিং কায়দনবা অমসুং মশা নোয়খৎ-চাউখৎলক্তনবা হোৎনজবা হায়বসি তশেংনমক অরায়বা থৌদৌ অমদি নত্তে। মরমসিমক্লা তঙাইফদনা মণিপুরগী মৌনহা নুপীশিং অয়াম্বনা মশানা ফনা য়াম্না পামজদদুনসু তঙাইফদনা অনোয়বী নুপী অমমম হায়বদু হেক-হেক ওইনরিবসিনি। হীরমসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা মরী লৈনবা খুদিংমক্লা চপ চাবা মীৎয়েংশিং চঙবীবগী তঙাইফদবশিং লৈ হায়বা ৱাফমসিদি তশেংনমক চুম্লবা ৱাফম অমনি। ৱাফমসি হেলথকা মরী লৈননা খুদিংমক্লা তেংবাঙহন্নীংই।

অরোইবা ওইনা, ঙসিগী মণিপুরসি অসুক্কী মতিক অরুবা অমসুং অঙক-অঙকপা লায়না মখলশিংতনা পীক থল্লক্লে। লায়নাশিংসিদা ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা চান-থক্লবা আইটেমশিং অমদি হেলথকা মরী লৈননা শীজিন্নরিবা মেদিসিনশিং অমদি ভিটামিনশিংগী শরুকশিংসিদগী পোক্লকপা কয়ামরুম অমসু য়াওরিবনি। তশেংনা ভাইরসশিংনা থোকহনবা লায়নাশিং হায়বদুনা তোঙানবা অমা ওইখ্রগসু অতোপ্পা মীওইবনা শীজিন্নরিবা পোৎশকশিংগী আইটেমশিংগী মরক্তগী অমা নৎত্রগা অমনা পোকহঞ্জবা লায়না মখলশিংসিদি ঐখোয় মীওইবনা তশেংনা থিংবদা ঙমজবা লায়না মখলশিং ঙাক্তনি ।ভাইরসশিংগা মরী লৈনদবা, মীওইবা ঐখোয়না থিংজবা ঙম্বা মখলগী লায়নাশিংদদি ঐখোয়সু য়ারিবমখৈ ইরন্নাই ওইনা থিংজনবা হোৎনমিন্নবা ফৈ।|◂◂

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*